**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি খৃষ্টমাস কুম্হৈ হরাউ তয়ামা পাঙথোকরি।

২) রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়রি- ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু মশা মউ ফনা লৈহন্দুনা শান্ন-খোৎনবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা তঙাহফদে।

৩) মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি।

৪) লৈবাক অসিনা প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা ভারত রতা অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০১ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা ঙসি মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সংসদ খেল মহোৎসবনা লৈবাক অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা এথলেট লিশিং কয়া পুথোকপা ঙমলে।

------

খৃষ্টমাস (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি প্রভু যিশু খৃষ্টতগী মপোক নুমিৎ, খৃষ্টমাস কুম্হৈ ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি।

খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা নিংথিনা লৈতেংলবা চর্চশিংদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্লি। প্রভু যিশু খৃষ্টপু শৈথাবা গোস্পেল ঈশৈ শকপা অমসুং মীয়াম পুন্না চামিন থকমিন্নবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

নোনে জিলাদসু খৃষ্টমাসকী থৌরম হৌজিক তোঙান তোঙানবা চর্চশিংদা পাঙথোক্লি। লোংমাই পার্ট ফোর বেপটিষ্ট চর্চতা ঙসি অঙনবা মতমদগী মীয়ামা খৃষ্টমাস কেরোল শক্তুনা প্রভু যিশুগী মীখৈ শোনখি। নুংথিলগী মতমদা মীয়ামা অহাও অথুম চামিন্নবা অমদি ইন্টরটেমেন্টকী থৌরমশিং পাঙথোকখি। জিলা অসিগী শোত্থরবা ইমুংশিংদা অঙম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী পাউজেল পীবনা মরুওইবা শক্তম ওইরি।

তমেংলোংদসু তমেংলোং বেপটিষ্ট চর্চনা- য়াহৱে সেভস হায়বা হিরমদা ৯৬ শুবা খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোক্লি।

রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিংদসু খৃষ্টমাস কুম্মৈ পাক শন্না পাঙথোক্লি।

সনাজাউবা (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ভিক্সিত ভারতকী পান্দম মীপুম খুদিংদা খঙহন্নবা পাঙথোকপা সংসদ খেল মহোৎসব ২০২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে। খেল মহোৎসব অসি চহি অসিগী ওগষ্ট ২৯ জাতিগী স্পোর্টস নুমিৎতা হৌদোকখিবনি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়রি- ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু মশা মউ ফনা লৈহন্দুনা শান্ন-খোৎনবদা মায় ওনশিনবা অমদি লৈবাক্কীদমক থবক তৌবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা তঙাইফদে।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্টকী কোনুং মমাংদা শুদরসন বাল বিদ্যা মন্দিরদা পাঙথোকখিবা মহোৎসব অসিদা রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবা লৈশেম্বনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০৪৭ তা ভারতনা বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্বা ফংখিবা চহি ১০০ শুরগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা ভারত অসি মালেমদা মাংজিল থাবা অমদি চাওখৎপা লৈবাক ওইনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পান্দম থল্লি।

থৌরম অসিদা ওলিম্পিক সিভর মেদালিষ্ট শাইখোম মিরাবাই চনু, বোক্সিংগী শকাইরবা কোচ লৈশাংথেম ইবোমচা, ওলিম্পিয়নশিং- ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা, নমৈরাকপম কুঞ্জরানি, চিংলেন সনা, য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্তর ময়েংবম ভেতো য়াওনা লমদম অসিগী শকাইরবা শান্নরোই অমদি কোচশিং শরুক য়াখি।

লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱা ঙাংখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থোকপা রিপোর্ট অমনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি। সেনাপতি, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংগী মফম খরদা লৈচিল কুংনা থাবগী ফিভম মায়োকগনি।

অমরোমদা, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা থোকপা দেলি ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না সেনাপতি জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৬.৬৫ ইংদুনা খ্বাইদগী ইংবা জিলা ওইখি। উখ্রুল জিলাদা ৭.০৭, কাংপোকপীদা ৯.০৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৯.০৭ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতনা ১১.৫৬ চাংদা ইংখি।

শ্যাম (এল)ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু নিংথিনা লমজিং লমতাকপীদুনা খুনাইগী অচংবা য়ুম্বী অমমম ওইহন্নবা হোৎনগদবনি।

য়েন্নিং পার্ফোমিং আর্টস সেন্তর মণিপুরনা শিন্দুনা উচেক লাংমৈদোংগী মতাংদা নুমিৎ ১০ নি চুপা চত্থরকপা চিলড্রেন হোক থিয়েটর ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী ঙসি এম.দি.য়ু হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়- অঙাংশিংগী মশাদা য়াওজরিবা হৈ শিংবশিং পীক্লিঙৈদগী হৌনা মখোঙ শোম্বীদুনা য়োকখৎপীবা তঙাইফদে। ঐখোয়না

শিনফম খুদিংমকপু চপ মান্ননা য়েংগদবনি। শিনফম অমনা অমবু খক হন্থনা তৌরোইদবনি। মীওই খুদিংমকা মশা মশানা পামজবা শিনফমশিংদা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌনরবা মতমদা খুনাই অমা হেন্না চাওখৎহনবা ঙমগনি।

পরিষদ (এল)ঃ  কোংবা নান্দেবম লৈকাইগী থোকচোম দোলরসনদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশানা চহি অনি অনি কান্নরগা পীবা কবি লৈতানথেম রাম সিংহ নিংশিং সাহিত্য মনা ২০২৫ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

মনা অদু  ৱাংজিংদা লৈবা খোরিরোল শঙলেনদা পাঙথোকপা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশাগী ২৩ শুবা চহিগী মীফমদা খুৎশিন্নখিবনি। অইবা ৬ তসু হন্দক চহিদগী অহানবা ওইনা পীবা মোইরাংথে রাজেন্দ্র নিংশিং খোরিরোল থৌগল্লোই ২০২৫ সু লান্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লুপ অসিনা চহিগী ওইনা পুথোকপা চেফোং-খোরি ইহুল অমসুং তোঙান তোঙানবা অইবা অনিগী লাইরিকশিংসু ফোংখি।

সিপিআই (এল)ঃ সি.পি.আই লিংখৎখিবা চহি ১০০ শুবা সেন্টিনারি সেলেব্রেসন হয়েং ইম্ফালগী ইরাবত পাঙথোক্লগনি। সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শিন্দুনা থৌরম অসি হয়েং নুংথিল পাঙথোক্কনি।

ৱিমেন (এল)ঃ  রাজ্য থাক্কী লৈবাক নিংবগী শৈরেং অমদি লাইয়েকপা চাংদমবা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ব্রহ্মপুর মঙ্গে মখোঙদা লৈবা ব্রহ্মপুর সোসিয়েল ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। ব্রহ্মপুর মঙ্গে মখোঙ লৈরক মনুং ৱিমেন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা  জ়নিয়র অমসুং সেনিয়র কেটাগোরি খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা অথোই অহেন তান্নবা অদু তোঙান তোঙানবা স্কুলদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

ভাজপায় ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা ভারত রতা অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০১ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা

উৎলি। সংসদকী প্রেমিসেসতা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলা, রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন হরিবন্স, রাজ্য সভাগী লুচিংবা অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা, অতৈ মন্ত্রিশিং- কিরেন রিজিজ, আর্জুন রাম মেঘাৱাল, ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনচিংবা লুচিংবা কয়ানা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাজ্য সভা সদস্য লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা লুচিংবা অসিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি।

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহার ভাজপায়গী ১০১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা উত্তর প্রদেশকী লখনৌদা নৌনা শাবা রাষ্ট্র প্রেরনা স্থল ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাখ্রে। থম্বালগী মওংদা শাবা বিল্ডিং কমপ্লেক্স অসিদা ভারতকী ফিদমনিঙাই ওইরবা লুচিংবা কয়ানা মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক তৌরম্বা থবক থৌরমশিং দিজিতেলগী খুখাংদা মীয়ামা য়েংবগী খুদোংচাবা পীরগনি। প্রেরনা স্থল অসি লম একর ৬৫ দা লুপা কোতি ২৩০ চংনা শাবনি। মসিদা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি, পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায় অমসুং হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী ফিট ৬৫ ৱাংবা শেঞ্জেংগী মীতম য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা মহাক্কী সরকারনা মীপুম খুদিংমক্তা সরকারগী স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। ঙসিদি ভারতকী লাইরবা মীওই কোতি কয়াদা মসিগী কান্নবা ফংহল্লে।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা বির বাল দিবসতা প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার য়েন্থোক্কনি। ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- কুমশি চহিগী ওইনা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৮ দগী খনগৎলবা থোইদোক হেন্দোকপা অঙাং ২০ দা মনা অসি পীগনি। মন্ত্রালয়না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিসু থৌরম অসিদা অঙাংশিং অমদি নহাশিংদা ৱা ঙাংগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সংসদ খেল মহোৎসবনা লৈবাক অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা এথলেট লিশিং কয়া পুথোকপা ঙমহল্লি।

ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা সংসদ খেল মহোৎসবতা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- সংসদ খেল মহোৎসবকী ইহৌ অসি শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি। নহারোলশিংবু চাওখৎহনবা হায়বসিগী খুত্থাংদা শান্ন-খোৎনবগী কুম্মৈ অসি লৈবাক অসি শেমগৎনবগী মন্ত্রগা লোয়ননা শক্তি লৈরবা য়ুন্বী অমা ওইরক্লি।

শ্রী মোদিনা হায়- ২০৩০ দা লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা অহমেদবাদতা কম্মনৱেলথ গেমস পাঙথোকপা মতমদা মালেম অসিনা লৈবাক অসিবু ঙকা য়েংনগনি। মসি নহা ওইরিবা এথলেটশিংগী ওইনদি অচৌবা খুদোংচাবা অমনি হায়নসু মহাকা মখা তারি। ২০৩৬ কী ওলিম্পিক্স লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা অদু লৌনবা হোৎনরি হায়নসু শ্রী মোদিনা হায়খি।

নক্সলাইট ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- উরিষাদা নক্সলাইট লৈতবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

নক্সলাইট লৈতবা ভারত অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙথাংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী সাহনা হায়- উরিষাগী কনমল অমসুং গঞ্জম জিলাগী লোন্নবা মফমদা চথখিবা ওপরেসন অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেন্ত্রেল কমিতিগী মেম্বর গনেশ উইকে য়াওনা নক্সলাইট মীওইশিং হাৎপা ঙমখ্রে।

উরিষাগী দি.জি.পি য়োগেস বহাদুর খুরানিয়ানা হৌজিক চত্থরিবা ওপরেসন অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা হায়- সেন্ত্রেল কমিতিগী মেম্বর গনেশ উইকেগী মথক্তা সরকারনা লুপা কোতি ১ লাখ ১ হেনবগী মনা লৈখ্রে। উরিষা পুলিসনা মফম অদুদা হৌজিকসু মখা তানা ওপরেসন চত্থখিগনি।

য়োজনা ঃ ভারতকী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা অমসুং খুঙ্গংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগী থৌরাং প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনা ঙসি চহি ২৫ মপুং ফারে। ইং শোক ২০০০ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা খুঙ্গংগী লমগী লম্বী থোং ফগৎহনবগা

লোয়ননা চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা য়োজনা অসি হৌদোকখিবনি। মসি হেক লিংখৎপদগীনা হৌজিক ফাওবদা কিলোমিতর লাখ ৮ লিশিং ২৫ হেনবা খুঙ্গংগী লম্বীশিং শেমবা থৌরাং তৌখিবগা লোয়ননা কিলোমিতর লাখ ৭ লিশিং ৮৭ শাংবা লম্বীদি শেম্বা লোইশিনখ্রে।

ফ্লাইট ঃ ভারতকী সিভিল এভিএসনগী লমদা মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইনা ঙসিদগী নবি মুম্বাই ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা কম্মর্সিয়েল ফ্লাইটশিং পাইবা হৌখ্রে।

এয়ারপোর্ট অসিদা মুম্বাই মেট্রো পোলিতান রিজনগী ওইনা এরোপ্লেন পাইবগী চাংসু হেনগৎহল্লে। নবি মুম্বাই ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা ইহান হানবা ওইনা বেঙ্গলুরুদগী পাইরকপা ইন্দিগোগী ফ্লাইট অমা ঙসি অয়ুক পুং ৮ দা থুংলখি।

কিম্বরলি ঃ ভারতনা ঙসিদগী হৌদুনা কিম্বরলি প্রোসেসকী ভাইস চেয়ার ওইনা থবক পুরগনি। চেয়ারপার্সনগী থৌগাইশিং ইং ২০২৬ কী জনুৱারি ১ দগী হৌগনি। কিম্বরলি প্রোসেস অসি দাইমন্দগী লল্লোন ঈতিক তৌবা মতমদা চয়েৎনবা থোক্তনবা মাইকৈ অহুমগী ওইবা থৌরাং অমনি। মসিদা সরকার, মালেমগী দাইমন্দগী উদ্যোগশিং অমসুং সিভিল সোসাইতিশিং য়াওরি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শন্থলি লোলদা ইবা সংবিধানগী লাইরিক ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ঙসি শন্থলি লোলদা পুথোক্লিবা সংবিধানগী লাইরিক অসিনা লোল অসিবু ঙাংলিবা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

খনি ঃ কেন্দ্র সরকারনা দিল্লিদগী গুজরাত ফাওবা শন্দোক্লিবা অরাবলি উমংদা নৌনা খনি লৌথোকপগী থবক চথবদা অথিংবা থমবা খঙহনখ্রে। মসিগী মতুংইন্না ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রালয়না হায়রিবা

উমং অসিদা খনি লৌথোকপগী অয়াবা অমত্তা পীদনবা মরী লৈনবা রাজ্য সরকারশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শিনবা ২০ শুবা ৱিমেন্স পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সি.ঐচ.পি.সিনা ইবুধৌ পাখঙবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-২ দা থোইখ্রে।

৯ লকশুবা অন্দর সিক্সতিন জ্নিয়ার বোইজগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আরবিন্দ পোলো ক্লব টিম-বিনা নিউ ভিজন পোলো ক্লব টিম-বিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথ্থরিবা ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রেজ নাগামপালনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী মখা চথ্থরকপা ওইনা চেম্প খাগেমপল্লি অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইতেদ শান্নরগনি।

ভোল্লিবোলঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার ক্লব য়ুমাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংনা শিনবা অনিসুবা খুরাইজম রঞ্জনা দেবী মেমোরিয়েল ইভিটেসন মেন্স ভোল্লিবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ মথং থাগী ১৮ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

------